# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-04-2025)**

**নোং ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অসাম অমসুং মেঘালয়দা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই। দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়-কেরলা, মহে, অন্ধ্র প্রদেসকী সমুদ্রা খোঙবান, য়ানম, রয়লসিমা, তেলঙ্গানা, করনাতক্কা, তামিল নাদু, পুদুচরিনচিংবা মফমশিংদসু অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

ফিভম অসি ছরখন্দ, বিহার, মধ্য প্রদেস অমসুং উত্তর প্রদেসতসু মায়োক রবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা মনিপুরগী চীংগী জিলাশিং-তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং চুরাচান দপুর জিলাদদি ঙসি পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবগী চাংদা য়াংনা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি।

**অমিত ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, ঙসি ভোপাল সরকারনা শিনবা থৌরম অমা য়াওনবা মধ্য প্রদেসতা চৎলগনি।

থৌরম অসিদা শঙ্গোম অমসুং শঙ্গোমগী পোৎথোকশিংগী ষ্টেকহোল্ডরশিংসু শরুক য়াগনি। মধ্য প্রদেস সরকারনা শঙ্গোমগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকবা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী ষ্টেকহোল্ডরশিংগা য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌনরগনি। থৌরাং অসি রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রিনা লমদম অদুদা শঙ্গোমগী পোৎথোকশিং হেন্না পুথোকবগী পান্দমদা পায়খৎলকপনি।

**বিহু ঃ** রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুনা বৈসাখি, বিশু, বোহা বিহু, পোইলা বোইশাখ, মেসাড়ি, বৈসখড়ি অমসুং পুতনদু পিরাপুর কুম্মৈনা লাকপদা লৈবাক

অসিগী মীয়ামদা য়াই পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-তোঙান তোঙানবা কুম্মৈ কয়া লৈবা লৈবাক অসিদা মীয়ামনা অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা লৈবাক অসিবু চাউখৎনবা মাংলোমদা চংশিল্লসি। কুম্মৈশিং অসিনা ভারতকী অমত্তা ওইবা তোঙান তোঙানবা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা চৎনবী কয়াবু উৎলি।

**ফেষ্টিভেল ঃ** লদাখতা চুলি মেন্দোক হায়নসু খঙনবা এপ্রিকোট ব্লোজম ফেষ্টিভেল ২০২৫ কার্গিলগী সঞ্জাক খুলদা মখল মথেলগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা হৌখ্রে। ফেষ্টিভেল অদু কার্গিলগী তুরিজম দিপার্টমেন্টনা শিনবনি। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২১ ফাওবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**ফেরজোল (এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-ফেরজোল অমসুং নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ (এন.পি.সি.সি.ঐচ.ঐচ) মনিপুর অনিনা পুন্না খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা শেংদবা নুংশিৎনা মীওইবগী হকচাংদা শোকহনবা অমসুং ওইরকপা য়াবা লায়নাশিংগী মতাংদা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং চীফ মেদিকেল ওফিসারগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ত্রাফিক পুলিস অমসুং ম্যুনিসিপাল ৱাকরশিংগী মরুওইনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসারনা শেংদবা নুংশিৎনা মীওইবগী হকচাংদা ওইহল্লকপা য়াবা অনাবশিং কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা ত্রাফিক পুলিসকী ইন্সপেক্তর মরি য়াওনা অতৈ ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

**ঝরখন্দ ঃ** ঝরখন্দগী ৱেষ্ট সিংভুম জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা নক্সলাইটকা খুৎ থোকবদা ঝরখন্দ জাগোরগী পার্সোনেল অমা লৈখিদ্রে। কোব্রা বটালিয়নগী

পার্সোনেল অমা ফিভম লুনা লৈরি।

জিলা অসিদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি। এস.পি. অসুতোস সেখরনা হায়-শোল্লবা পার্সোনেল অমসুং লৈখিদ্রবা পার্সোনেলশিং হেলিকোপ্তরনা রাঞ্চিদা পুখ্রে। পার্সোনেল অনি অদু আহ.ই.দি. পোকখায়রকপদা শোকখিবা অমসুং লৈখিদবনি।

মরক অসিদা, রাজ্য অসিগী লাতেহার জিলাদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মাওইষ্টকী সব-জোনেল কম্মান্দর অনি য়াওনা মীওই তরুক সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মখোয়দগী রাইফল মরি, ওটোমেটেদ রিভোলবর অমা, নোংমৈ মরু কয়ামরুম, মোটোর সাইকল অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়াসু ফংলে হায়রি।

**জষ্টিস ঃ** কেন্দ্র সরকারনা জষ্টিস অরুন পাল্লিবু জম্মু কাশ্মির অমসুং লদাগ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা খনখ্রে।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়-কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি-অরজন্‌ রাম মেঘাৱালনসু জষ্টিস অরুন পাল্লিবু চীফ জষ্টিসকী ফম অসি পুনবা খনবগী মতাংদা সোসিএল মেদিয়াদা ৱাফমশিং ফোংদোকখিবা লৈখ্রে। রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু অমসুং চীফ জষ্টিস-সঞ্জিব খানাগা মুন্না খন্নরবা মতুং পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগী জর্জ ওইনা পুবগী মথক্তা জম্মু কাশ্মির অমসুং লদাগ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসকী ফম অসি জষ্টিস-অরুন পাল্লিদা পুনবা খনখিবনি।

শ্রী পাল্লি, ইং ২০০৭ কী এপ্রিল ২৬ তা সেনিয়ার এদভোকেট ওইরম্মী। ইং ২০২৩ গী দিসেম্বর ২৮ দা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায় কোর্টতসু থৌ পুরম্মী। ইং ২০২৩ গী মে ৩১ দা নেসনেল লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতিগী গভনিং বোদিগী মেম্বর ওইনা খনখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র, অম্বেদকর জয়েন্তিগা মরী লৈননা হয়েং হরিয়ানাদা

চৎকনি। হয়েং অয়ুক হিসারদগী অয়োধ্য ফাওবা পাইগদবা কম্মরসিএল ফ্লাইট লমথাগনি। মসিগী তুংদা, হিসার ইয়ারপোর্টকী অনৌবা টার্মিনেল বিল্ডিং শানবগী যাত্রাসু হুনগনি।

যামুনা নাগরদা চৎতুনা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি খরনা শঙ্গাগনি। মসিগী তুংদা, মীয়ামদা মীতিন অমদা ৱা ঙাংগনি। মেগাৱাট ৮০০ হেনবগী মোর্দন থর্মেল পৱার প্রোজেক্ট অমসু যত্রা হুনগনি। প্রোজেক্ট অসিনা মনুং হুনজিন্না লৈবা মীয়ামদা মৈ মরাং কায়না ফংহনবা ঙম্লগনি।

**আমেরিকা ঃ** আমেরিকাদা নুমিৎ ৩০ নিদগী হেন্না লৈরক্লবা মীরৈবক্কী মীওই খুদিংমকা ফেদরেল গভর্নমেন্টতা রেজিষ্টর তৌগদবনি। নত্রবদি ফাইন থিবা, কৈশুমশঙদা থন্বা অমদি লৈবাক অদুদগী নমদুনা চৎহনখিবনচিংবা য়াওনা অহকপা চৈরাক পীগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা লাউথোকখ্রে।

অনৌবা সরকারগী মখাদা ভিসা পায়বা অমসুং আইন্না য়াবা মওংদা মফম অদুদা লেংদনা লৈরবা মীওইশিং য়াওনা মীরৈবাক্কী মীওই খুদিংমকা মতম পুম মক্তা রেজিষ্ট্রেসন তৌরে হায়বগী প্রমান উৎপা চে চাংশিং পায়গদবনি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ টি-টোইন্তি ক্রিকেটকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা সন রাইজরস হায়দ্রবাদনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

ঙসি দিল্লি কেপিটেসকা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা দিল্লিগী অরুন জেতলি ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শুমাং লীলা নুমিৎকী পালন পাঙথোকখিবা, ৱাকফ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চংশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফম পাউ-চেদা নরেন্দ্র নিঙোম্বদা ইবোয়াইমা এৱার্ড লান্থোক্তুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে, শুমাং লীলাবু কারিকুলমদা হাপ্তুনা মহৈরোইশিংদা তমহনবা হায়বসি য়ামা মরুওইবা অমনি হায়না ভাইস চাঞ্চেল্লর-পাউনম গুনিন্দ্রোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ভেহিকল স্ক্রেপ্পিং পোলিসিদি চৎনরে, ফেসিলিতিদি লৈত্রি। লৈঙাকা শোয়রগা অৱাবনা মীয়ামনা নংলি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক পাউ-চেদা লন্বী শেন্বা থিংই হায়বগী ৱাহৌদা মীয়াম হৌরকখ্রে, তোপ দুসেরা গ্রাউন্দ পঞ্চায়টতা নুরুল হাসন বোইকোট তৌখ্রে হায়বা পাউ হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৫ লৌথোকবা তোঙান তোঙানবা রেল্লি কয়া চৎখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পোকফম পাউচেদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কোটুনা গমগিফাইদা অমুক হন্না চেক পোষ্ট হাংদোকবা খঙহনখ্রে, ৱারনিং তৌখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মিজোরামদা চংজফম লৌরিবা ম্যান্মার অমসুং মনিপুরগী কুকিশিং মরমদা হনখিনবা মিজোরামগী এম.পিনা হায়খ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ক্কালিতি য়াওদনা শারম্বা কামজোং হোস্পিতালগী ৱাল এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিংনা কাউখায়খ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোরেদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা লমদিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা হুরান চিন্থিগী ওইবা থৌদোকশিং কা হেন্না হেনগৎলক্লি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অমসুং সেন্টরগী লুচিংবশিংনা অদুম্মক য়েংখিগদ্রা কুম্মৈ নুংঙাইগদৌরেঃ উমং লাই কনবা লুপ (উকল) নদি কৌব্রুসু কানি, থাংজিং চিংসু কাদুনা ইরাৎ থৌনিগনি ফোংদোরক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ চে অসিমক্তদা চুরাচান্দপুরদা নুমিৎ ৩৮ নিগী মনুংদা নুপীমচা অহুম ইকায় খুমবা মাঙহনবীরবা মতুংদা অনি হাৎতোকপীখ্রে হায়বা পাউ অমসু ফোংলি।

৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়নসিপ ঙরাং লোয়শিনখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লকবা কেন্দ্র সরকারনা রেকোর্ড ওইনা আই.পি.এস. ওফিসার ১৬ থারকখ্রে হায়বা পাউ মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।